# ২০১৯ ইলেক্সনগীদমক ওপোজিসনগী গ্রান্দ এলায়েন্সতা অখিলেশ যাদব, ময়াবতি য়াওরগনি ঃ *বীরাপ্পা মোইলি*



***হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৯***

মথং চহীগী লোক সভা মীখলদা বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ গী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিশিংগী শেমগদৌরিবা গ্রান্দ এলায়েন্স অদুদা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) য়াওরগনি হায়না সেনিয়ার কংগ্রেস লীদর এম বীরাপ্পা মোইলিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মথং থা ২ গী মতুংদা এসেমব্লি মীখলশিং পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ৫ গী মনুংদা য়ামদ্রবদা ষ্টেট ৪ দা কংগ্রেসনা মায় পাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী ৱাফম অসি এস পি প্রসিদেন্ট অখিলেশ যাদবনা হৌখিবা চয়োলদা মধ্য প্রদেশ মীখলগীদমক এলায়েন্স অমা তৌনগদ্রা হায়বা লেপ্পবা মহাক্কী পার্টিনা কংগ্রেসকীদমক ঙাইররোই হায়না ফোঙদোত্তুনা মহাক্না ময়াবতিগী বি এস পি গা পূন্না চৎমিন্নবা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখিবা মতূংদা ফোঙদোক্লককখিবনি।

বীরাপ্পা মোইলিনা পাউগী এজেন্সিদা ৱা ঙাংবদা শেমগদৌরিবা গ্রান্দ এলায়েন্স অদু লোক সভা মীখলগীদমকনি ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী নত্তে হায়খি। ঐখোয়গী মরু ওইবা অশাদি পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা ওপোজিসন অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অদুনি অমসুং ঐখোয়না পান্দম অদু ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়খি।

মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং ছতিসগর এসেমব্লি মীখলশিংদা কংগ্রেস অমসুং বি জে পি গী মরক্তা ভোটশিং চিংখাইনগনি হায়না কর্নাতকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

গ্রান্দ এলায়েন্স অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেটকী মতাংদদি শেন্নবা হৌদোক্লরিবা গ্রুপ্পিং অদুদা পার্টিশিংনা মদুগী মতাংদা থোইনা পূক্নীং চঙদবনা ৱাফম অদু পুখৎনরক্তবা য়াই হায়খি।

মরম অদুনা ঐখোয়না বি জে পি অমসুং কম্যুনেল ফোর্সশিংবু শোয়দনা মায়থিবা পীগদবা হীরমশিংদা চঙশিনগনি। মসিখক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ইশু অদুনি। কনানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই হায়বদু মতাং চানা লীদরসিপনা পুখৎলক্কনি। মদুনা ওপোজিসনগী অপূনবদা অপনবা থোকহল্লোই হায়না মিষ্টর মোদিনা হায়খি।

## ভিলাই ষ্টিল প্লান্টতা গ্যাস পাইপলাইন পোকখাইবদা ৯ শিরে, ১৪ শোক্লে

***ভিলাই, ওক্টোবর ০৯***

ছতিসগরদা ভিলাই ষ্টিল প্লান্টতা ষ্টেট অসিগী কোনুং রাইপুরদগী কিমিঃ ৩০ লাপ্পদা গ্যাস পাইপলাইন পোকখাইবদা মীওই ৯ শিরে অমসুং ১৪ শোক্লে।

পাইপ হেক পোকখাইবগী পাউ অদু পীরকপদগী পুলিস অমসুং রেস্ক্যু টিম অমা মফম অদুদা চঙশিনখ্রে। অশোকপা মীওইশিং মফম অদুগী হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে।

য়ামদ্রবদা মীওই ৯ মৈনা চাক্কুনা শিখ্রে অদুগা মীওই ১৪ শোকখ্রে। মখোয় অয়াম্বা অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়না ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (দুর্গ রেঞ্জ) জি পি সিংহনা এজেন্সিদা হায়খি।

ভিলাই ষ্টিল প্লান্ট অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ষ্টিল শাবা অমা ওইরিবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ষ্টিল ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এস এ আই এল) না ওপরেট তৌবনি।

মোদর্নাইজ তৌরবা অমসুং হেন্না চাওথোকহল্লবা ভিলাই ষ্টিল প্লান্ট অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুন থাদা শঙ্গাখিবনি। চহী ১৪ গী মমাঙদা ২০০৪ গী জুনদা প্লান্ট অসিগী ব্লাষ্ট ফরনান্সতা পোকখাইবগী থৌদোক অমদা থবক শূবা মীওই ৬ শিখি।

## য়ু পি দা পাক্তক্লনা পুলিস কন্সটেবেল ২৫,০০০ হেদ কন্সটেবলদা প্রমোসন পীখ্রে

***লক্ষনৌ, ওক্টোবর ০৯***

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা হরাও-নুংঙাইবনা পীক থনখ্রে। অমনা অমদা অথুম-অহাও লান্নদুনা নোকমিন্নখ্রে। মদু পূন্নমক অদু মরম অতৈ অমত্তগী নত্তে। পুলিস কন্সটেবলশিং পাক্তক্লনা প্রমোসন পীবগী পাউ অদু মখোয়না ঙরাং ফংবদগীনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী চাওনা পাক্তক্লনা প্রমোসন পীবগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থল্লদুনা গভর্ণমেন্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী পুলিস কন্সটেবল ২৫,০০০ হেনবা হেদ কন্সটেবলগী ফমদা প্রমোসন পীখি।

নুংঙাইরবা পাউ অদু উত্তর প্রদেশ পুলিসকী ওফিসিয়েল ট্যুটরনসু শরুক য়াখি। ওফিসিয়েল ট্যুটর হেন্দল অদুনা ফোঙদোকখিবদা উত্তর প্রদেশ পুলিসকী হৌজিক ফাওবগী ঈতিহাসতা ইহান হানবা ওইনা পুলিস কন্সটেবল ২৫,০৯১ বু ঙসি হেদ কন্সটেবলগী ফমদা প্রমোসন পীখ্রে হায়খি।

ঐখোয়না মখোয়দা মখোয়গী মাঙদা লৈরিবা শিনফম অদুগীদমক অফবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকচরি হায়খি।

## ২০১৯ লোক সভা মীখলদা মীৎয়েং থমদুনা বি জে পি না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা রথ যাত্রা ৩ গী খোঙচৎ পাঙথোক্কদৌরি



***কোলকতা, ওক্টোবর ০৯***

মথংগী লোক সভা মীখলদা মীৎয়েং থমদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল বি জে পি য়ুনিটনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪২ মক কোনশিনবা রথ যাত্রা ৩ গী খোঙচৎ পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল বি জে পি প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোশনা রথ যাত্রাশিং অদু দিসেম্বরদা পাঙথোক্কনি অদুবু থৌরম অদুগী কেম্পেনদি দূর্গা পূজা মতুংদগী হৌরগনি হায়খি।

অহানবা রথ যাত্রা অদু বিরভুম দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা তারাপিথ তেম্পল তাউনদগী দিসেম্বর ৩ দগী হৌগনি। মদুদা পার্টি প্রসিদেন্ট অমিত সাহ শরুক য়ারবা য়াই হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা রথ যাত্রা ৩ মক অদুদা অমিত সাহনা শরুক য়াবা য়ান্না পাম্মী। অদুবু মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা নুমিৎশিং লেপ্পা মথৌ তারি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, বি জে পি লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং সেনিয়ার পার্টি লীদরশিং রেল্লি অদুদা শরুক য়াগনি।

২শুবা রথ যাত্রা অদু সাউথ ২৪ পরগনা দিষ্ট্রিক্টকী নামখানা-গঙ্গাসাগরদগী দিসেম্বর ৫ দা হৌগনি। অদুগা অরোইবা রথ যাত্রা অদুনা দিসেম্বর ৭ তা কুচ বিহারদগী হৌগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা রথ যাত্রা খুদিংমক্না লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৪ অসি থুংনা চৎকনি। জনুৱারীগী লোয়শিল্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংলুগদবা অচৌবা মীফম অমা কোলকতাদা পাঙথোক্কবা ঐখোয়না থৌরাং তৌরি হায়না মিষ্টর ঘোশনা হায়খি।

হৌজিক ঐখোয়গী পার্টিগীদমক বেঙ্গল অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরি। মরমদি মীয়ান্না ট্রিনামুল কংগ্রেসকী লৈঙাক অসি খিনরে। ঐখোয়না নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা এরিয়া মরু ওইনা বেঙ্গলদগী সিট মশীং খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মথৌ তাই হায়না অতোপ্পা বি জে পি গী কেন্দিদেট অমনা হায়খি।

## ট্রেক্তরদা এম্বুলেন্সনা থেংজিনবদা অনাবা য়াওনা মীওই ৩ শিখ্রে

***মোরেনা, ওক্টোবর ০৯***

মধ্য প্রদেশকী মোরেনা-শিবপুরি রোদতা মোরেনাগী মুকুন্দা খুল মনাক্তা লম্বী নাকলদা খামদুনা থম্বা ট্রেক্তর অমদা অনাবা পুদুনা লাকপা এম্বুলেন্স অমনা থেংজিনবদা অনাবদু য়াওনা মীওই ৩ শিরে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৪ শোকখ্রে।

থৌদোক অদু এম্বুলেন্স অদুনা সবলগর তাউনদগী গ্বালিয়র তন্না লাকপদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবনি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

এম্বুলেন্স অদুদা মশাগী চহী ৪৭ শুরবা রামবাবু ধাকাদ কৌবা অনাবা অমা মহাক্কী মমাগা লোয়ননা লাকখিবনি। থৌদোক অদুদা মমা অদু অমসুং এম্বুলেন্স ড্রাইভর অদু য়াওনা অনাবা অদু শিখিবনি। শোক্লবা মীওই ৪ অদুসু অনাবা অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনি হায়রি।

## হান্নগী সি আর পি এফ কন্সটেবলনা মচানুপা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

***রাঞ্চি, ওক্টোবর ০৯***

হান্না সি আর পি এফ কন্সটেবল ওইরম্বা রাকেশ ৱাৱাটনা মচানুপাগা মরৈ য়েৎনরকপদগী মহাক্না মচানুপা অদুবু ঙরাং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অসি রাঞ্চিদা থোকখিবনি।

রাকেশ ৱাৱাট হায়রিবা মপা অদু মতম শাংনা মতোমতা লৈরম্বদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মচানুপা অদু মহাক্না পূন্না লৈমিন্নরকখিবনি।

## য়ু পি পুলিসনা ব্রহ্মমোস ইঞ্জিনিয়ারগী ট্রান্সিট রিমান্দ ফংলে

***নাগপুর, ওক্টোবর ০৯***

ইন্দিয়াগী সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল ব্রহ্মমোস শাবদা সেনিয়া সিষ্টেম ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইনা য়াওখিবা নিশান্ট অগ্রৱালবু উত্তর প্রদেশনা নুমিৎ ৩নি ট্রান্সিট রিমান্দ অমা ঙসি উত্তর প্রদেশ এন্টি টেরর স্কৱাদ (এ টি এস) না ফংখ্রে।



ব্রহ্মমোস ইঞ্জিনিয়ার অসি এস্পিওনেজগী চার্জশিংদা উত্তর প্রদেশ এ টি এস অমসুং মিলিটরি ইন্টেলিজেন্সনা চথবা অপূনবা ওপরেসন অমদা ঙরাং ফাখিবনি। মহাক ঙসি অঙনবদা নাগপুর সেসন্স কোর্টতা পুথোককখি অমসুং কোর্ট অসিনা উত্তর প্রদেশ এ টি এস তা ট্রান্সিট রিমান্দ পীখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

পাকিষ্টানি অমা ওইরমগনি চিংনরিবা মাগী হেন্দল্লর অদুদা অগ্রৱালনা সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল অদুগী য়ান্না মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং পীথোকখিব্রা হায়বদু ওথোরিটিজনা থিজিল্লি।

য়ান্না অরুবা কেস অসিদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনশিংগীদমক মহাকপু থুনমক লক্ষনৌদা পুরগনি।

ইন্দিয়াগী য়ান্না মরু ওইবা লালগী থাক ৱাংলবা খূৎশু-খূৎলাই শাবগী হীরমদা রিছার্স তৌরিবা অমসুং পোখোক পুথোক্লিবা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) গী ইমপ্লোয়ী অসিনা অতোপ্পা লৈবাক্কী অরোনবা স্পাই ওর্গনাইজেসনগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মহাকপু নাগপুরদগী ঙরাং ফাখিবনি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী এন্টি-টেরোরিজম স্কৱাদশিংনা দি আর দি ও গী ৱার্ধা রোদতা লৈবা ফেসিলিটি অমদা অপূনবা ওপরেসন অমা চথদুনা মহাকপু ফাখিবনি।

# চিনানা পাকিষ্টানদা মিলিটরি দ্রোন ৪৮ য়োল্লগনি

***বৈজিং, ওক্টোবর ০৯***

চিনানা পাকিষ্টানগা খূৎলাই য়োনবগী মতাংদা তৌনবা খ্বাইদগী চাওবা দিল অমা ওইগনি হায়না মিলিটরি ওপজার্ভরশিংনা হায়রিবা খোঙথাং অমদা চিনানা মখোয়গী মতম পূন্নমক্তা খোঙবু ওইরিবা পাকিষ্টানদা থাক ৱাংনা ফরবা মিলিটরি দ্রোন ৪৮ য়োল্লগনি হায়না ঙসি মফম অসিদা ওফিসিয়েল মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু দিল অদুগী মমল ফোঙদোক্ত্রি।



মী য়াওদবা থবক কয়ামরুম তৌবা ঙম্বা অৱাংবা থাক্কী এয়ারক্রাফ্ট সিষ্টেম অমা ওইরিবা ৱিং লূং-২ অসি চেংদু এয়ারক্রাফ্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল (গ্রুপ) কম্পেনিনা শাবনি। অনমেন এরিয়েল ভেহিকল (য়ু এ ভি) অদু লৈবাক অনীনা পূন্নসু শারগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা *গ্লোবেল তাইমস* কী পাউনা হায়রি।

ইস্লামাবাদকী ফিভম খুদিংমক্তা খোঙবু ওইরিবা চিনানা পাকিষ্টান আর্মিদা ৱিপন্স সিষ্টেম পীবদা খ্বাইদগী চাওবনি। লৈবাক অনী অসিনা সিঙ্গল ইঞ্জিন মন্টি-রোল কম্বেট এয়ারক্রাফ্ট অমা ওইরিবা জে এফ-থন্দরসু পূন্না শামিন্নগনি।

পাকিষ্টানদা অৱাংবা থাক্কী মিলিটরি দ্রোনশিং য়োন্নবগী অয়াবা পীবা অদু চিনানা লাওথোক্লককখিবসি ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা খোঙথাং অদুগী হেক মতুংদনি। এস-৪০০ মিসাইল দিল অদু রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিননা ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা চয়োলদা লাকখিবা খোঙচৎতা সহি তৌনখিবনি।

চিনাগী মিলিটরি দ্রোনশিং লৈনবগী দিল অদু পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকী শেরদিল্স এরোবেতিক টিমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মসিগী ওফিসিয়েল ফেসবুক একাউন্টতা লাওথোকখিবনি। অদুবু দিল অদুগী মমল, করম্বা মতমদা তৌনখিবনো নৎত্রগা মদু করম্বা মতমদা পীগনি হায়বগী ৱারোল ফোঙদোকখিদে।

মতূংদা পাকিষ্টান এরোনোটিকেল কমপ্লেক্স কম্রা অমসুং চিনাগী চেংদু এয়াক্রাফ্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল (গ্রুপ) কম্পেনিগী এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসননা দ্রোনশিং অদু পূন্না মেন্যুফেকচর তৌগনি হায়নসু এয়ার ফোর্স একাদেমি এরোবেটিক টিম অদুনা লাওথোকখি।

য়ু এস কী এম ক্যু-১ প্রিদেতর অমসুং এম ক্যু-৯ রিপরগুম্বা দ্রোনশিংনা টেক্নোলোজিকেলগী ওইনা হেন্না এদভান্স ওই। অদুবু দ্রোনশিং অসি মীরৈবাক্তা এক্সপোর্ট তৌবদা ৱাসিংতননা অকক্লবা অমা থম্মী।

চিনাগী দ্রোনশিং অসিনা মতূংদদি ইন্টর্নেস্নেল মার্কেটতা হেন্না মায় পাকপা ফংগনি, মখোয় অসিনা হেন্না নেম্বা মমল অমদা চপ মান্ননা থবক পাঙথেকপা ঙম্মী হায়না মিলিটরি এক্সপার্ট সোং ঝোংপিংনা হায়রি।

কাইহোং সেরিজগুম্বা চিনাগী অনমেন এরিয়েল ভেহিকলশিং ইরাক অমসুং সাউদি আরাবিয়াগুম্বা লৈবাকশিংনা লৈনখ্রে হায়না মিলিটরি এক্সপার্ট অমসুং টি ভি কম্মেন্টেতর অসিনা গ্লোবেল তাইমসতা হায়খি।

## য়ুক্রেনগী এম্ম্যুনিসন দিপোদা পোকখাইখ্রে



***কিয়েব, ওক্টোবর ০৯***

ঙসি লৈবাকপোকপগী অয়ূক অঙনবদা য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি এম্ম্যুনেসন দিপো অমদা মৈ চাকখ্রে অমসুং সেকেন্দ অমদা ২ দগী ৩ ফাওবা পোকখাইখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মদুদা মীশি মীনা থোকপগী পাউ লৈতে।

শাথিরবা থৌদোক অদুদা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম অশোয়-অঙাম থোক্লককপা য়াবদগী কন্ননবা ওথোরিটিজনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২,০০০ রোমবু অতোপ্পা মফমদা হোংদোকহল্লকখ্রে।

পোকখাইবগী থৌদোকশিং অদু খূৎলাই থম্ফম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা ওইবনা মদু সেবোটেজ ওইগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয়না হায়খি। হৌজিক লৈবাক অসিগী ষ্টেট সেক্যুরিটি সার্ভিসনা থৌদোক অদু সেবোটেজগী থবক ওইরমগদ্রা হায়বদু থিজিল্লি হায়খি।

এম্ম্যুনিসন দিপো অদু লৈবাক অসিগী কোনুং কিয়েবতগী নোংপোক্তা কিমিঃ ১৭৬ লাপ্পদা চেরনিহিব রিজনদা লৈবনি। কিমিঃ ৫০ লাপ্পদা লৈবা নুপী অমনা টি ভি চেনেল ১১২ দা ফোঙদোকপদা পোকখাইবশিং অদুগী মখোল অদু মহাক তাখি হায়না খুমখি।

থৌদোকশিং অদুদা মী শিবা নৎত্রগা শোকপা য়াওখিদে। মিলিটরি পার্সোনেলশিংগী মরক্তা, আর্ম ফোর্সেসশিংগী মরক্তা, শোকপা নৎত্রগা শিবা য়াওদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অয়ূক পূং ৭ কী মতম অদুদা সেকেন্দ অমগী মনুংদা ২ দগী ৩ ফাওবা পোকখাইবগী থৌদোকশিং থোকখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা কিমিঃ ৩০ গী মনুংদা লৈবা এয়ারস্পেস থিংজিনখ্রে। লম্বী অমসুং রেল ট্রান্সপোর্ট লেপহনখ্রে। মফম অদুদা গ্যাস অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি পীবদা খুদোংচাদবা থোক্লে হায়না ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসনা হায়খি।

ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা মফম অদুদা মীওই চা কয়া অমসুং ইক্যুপমেন্ট থাজিন্দুনা শেন্নহনখ্রে। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টর বোলোদিমির গ্রোয়সমান অমসুং য়ুক্রেনগী আর্ম ফোর্সেস চীফ ভিক্তর মুঝেঙ্কোসু চঙশিনখ্রে। প্রসিদেন্টনা থৌদোক অদুগী মরমদা রিপোর্ট অমা কৌখ্রে।

হৌখিবা চহী খরদসু লৈবাক অসিগী এভিএসন অমসুং ৱিপন্স দিপোশিংদা চাওনা মৈ চাকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। য়ুক্রেনিয়ান ট্রুপশিং অমসুং মোস্কোনা শৌগৎপা সেপরেটিষ্ট রিবেলশিং অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০,০০০ হেন্না শিখ্রে।

হৌখিবা চহীদা লৈবাক অসিগী কোনুং কিয়েবতগী নোংচুপ্তা কিমিঃ ২৭০ লাপ্পা বিন্নিতস্যা রিজনদা লৈবা মিলিটরি দিপো অমদা পাক শন্না পোকখাইবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। মদুদা ওথোরিটিজনা তঙাইফদবা অকোয়বদা খুন্দাবা মীওই ২৪,০০০ অতোপ্পা মফমদা পুথোক্লককখি।

## "ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফহনসি শেংহনসি, পূক্নীং ৱাখল থম্মোয়সু"

হকচাং ফবনা অচুম্বা অশেংবা লেঙদ্রবা লননি খঙনরিবা মীওইবা ঐখোয়না কান্নগদবা মচি ওইবা চীঞ্জাক চানরি থক্লরি অমশুং অঙনবা অয়ূক্তা মাগী মাগী য়ূম য়ূমদগী থোক্লক্তুনা অঙাং নহা অহল খায়দনা গ্রুপ-গ্রুপ মচোয়-মচোয় পরেং-পরেং চৎনরি ৱার্কিং। ঈংলবা শেংলবা অফবা নুংশিৎনা হকচাং কায়াৎ খুদিংমক্তা য়ৈহন্দুনা কান্নবা অফবা ওইহনবগুন্না, ইশা ইশাগী থম্মোয়বুসু অশেংবা অচুম্বা অফবা ৱাখল খন্থমিন্নদুনা, থৱায় য়াওনা হকচাং ফহনবগুম পুকচেলসু চুন্না ঐখোয় পূন্নমক্কী ওইনা ফহল্লসি। মীওইবনা চাদ-থক্তনা হিংবা য়াদবনা মাগী মাগী মথৌদা মায় ওনশিন্নদুনা শুনরি নোম্নরি, হোৎনরি, তুংগীসু, চানবখক্কী হিংবা নত্তবনা মমল য়াল্লবা জ্ঞান লৌশিং অমগা অমগা চুঙশিন্নদুনা তান্নদুনা অফবা কান্নবা পুথোকমিন্নদুনা চাওখৎপা নুংঙাইবা হেনগৎলক্লি নোংম নোংমগী মালেমসিদা চাওখৎ-চাওখৎলক্লগা ফৎনরক্তবা হেনগৎলক্লবদি মীগী লাইবক থীহনবনি। ঐ ঐনা তৌজরুবগী মহৈগী ফল ইশা ইশানা ফংজরিবনি। অফবগী মহৈদি কান্নমিন্নে মীঙোন্দা শোকহন্দে, ফত্তবা মহৈগী ফলদি মী ৱাহল্লি শোকহল্লি মাঙহল্লি হায়বা কাউগুমসি। হোরেনদি হয়েংদি করি ওইরগবা? করি থোক্লগবা? খঙবা কনাসু ঙন্নদবা মীওইবনা লাল্লি চুমই ফৈ-ফত্তে য়ায়-য়াদে ইশা ইশানা তুংগীদমক খলহৌদবা মীকুপ্তা ঐ ঐনা ফত্তগা মীবুসু ৱাহল্লি মাঙহল্লি খঙলিবা মীওইবনা করিগীদমক খন্থরোইদবগে। পুবা থাংবদা ৱাগদবা মীওইদা অৱা পোৎলুম পুহনগুমসি। মসিমদি মহাক্না তাকপীরম্বদগী পুথোকপীরম্বদগী শেম্বীরম্বদগী মহাক লৈবদগী, কান্নহৌরে ফহৌরে হায়হনসি। ঐ ঐগী কান্ননবা ফংননবা নুংঙাইনবা শেমজবদা অমনা অমদা কায়রোইদবা মওংদা ইশা ইশানা শেমজদনা কনা অমা লাক্কুনা শেল্লরোই। কায়নগুমসি য়াদ্রবসু থাজনদ্রবসু ফৎনদ্রবসু মোৎনরবসু শোক্লরবসু মাঙনরবসু মীওইবা ঐখোয়গী ইশা ইশাদা য়ৌবিরক্কনু য়াগদ্রা খন্থমিন্নসি। ফত্তবদি ফত্তে, ফরক্লগা ফবনি, অফবদি পূন্নমক্কী ওইবা অপাম্বনি। তুংগীদমক অফবা মী, অফবা খুনাই অমা ওইরক্লবগীদমক জ্ঞান লৌশিং তানশিন্নরিবনি মীওইবনা। হৌজিক্তি লাইরিক লাইশু হৈবগী চাংসু য়ান্না ৱাংলক্লবনি লমদমসিদা। জ্ঞান লৌশিং লৈবা হেল্লক্লগালাইরিক লাইশু হৈবনা য়াল্লক্লগা ইশা ইশাগী ইমুং অমসুং লৈকাই লৈপাক চাওখৎহল্লসি ফহল্লসি শান্তি ওইহল্লসি, ফৎনদ্রগা মী মশেল ৱানৈ ঐ ঐসু ফহল্লসি। ঐ ঐনা তৌজরিবা চৎচরিবা অসিবু চুন্নিবরা লাল্লিবরা খন্থজরগা ফগদবা অফবা কান্নগদবা তৌসি। অফবদি পূন্নমক্না য়াই। ফত্তনবসু মীনা, ফননবসু মীননি। ঐ-ঐগী পূক্নীং ৱাখল থম্মোয়বুসু অশেংবা অচুম্বা মাঙহন্দনা তুংগীদমক খল্লন্নসি তৌরন্নসি, অশেংবা অচুম্ববু ঐখোয়না লাপথোকচখ্রবদি অমনা অমবু থাজনদবগী চাং নোংম-নোংমগী হেঞ্জল্লক্ত্রিঙৈদা ঐ ঐনা পৈশা তিংগদবা ডাক্তর য়াওদনা ইশানা ইশাবু লায়েংহৌনবগী তাঞ্জা ঙসিমক্লি। লায়েংহৌদ্রবদি তুংগী মীরোন্দা অমসুং য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নৌরিবা খঙজদ্রিবা অঙাংশিংগী মরাইবক করি ওইহৌগনি অমুক্তং খন্থমিন্নসি। অঙাংশিংগী মমাংদা ফত্তবা লিচৎ-শাজৎ নাতৈচাদবা ৱাঙাং-শঙাং শীজিন্নগনু, লৌখিনি হৈখিনি হায়নরিবনি। হৌবা লোয়বা মকোক মমৈ লংলা-লংজিন নীংথিজনা খঙহৈরবা, ওজা-গুরুশিংনা তাকপীরকপা তম্বীরকপা লৌরোইদবা য়ারোইদবা কনা লৈবগে। খঙনা হৈনা পোক্লকপা কনাসু য়াওদবনি। জ্ঞান তাদবা খঙজদববু তাকপীরগা খঙহনবীবা অরানববু চুমথোকপীবা অচুম্বগী তৌফমথোকপা লীচৎনি। তাইবঙ শেম্বীবা মপূ ইবুংঙো নহাক্কী অশেংবা অচুম্বগী থৌজালগী মঙাল্লক্তগী থোক্লকপা মরিক মরিক ময়েক ময়েকপু ঙমজবা খরদং খোমজিন তাশিঞ্জরগা ৱাহৈ পরেং পরেং ওইনা ইথোকচদুনা কাউগনবা মীওইবনি খঞ্জদুনা লৈবাক মীয়ামগী খরদং ওইরবসু কান্নগদ্রা খঞ্জদুনা ইরমদম ইরৈবাক্কী নচা-ননাও ওইরিবা ঐহাক্না ইজরিবা লাইরিক ময়েকশিং অসিবু য়েংখিবা উখিবা খঙখিবা পাখিবা পূক্নীংদা চঙশিনখিবা থম্মোয়দা চুশিনখিবা মীওই খুদিংমক্তা কান্নবা অফবা শান্তি ওইহনবীদুনা নচা-ননাই খুদিংমকপু অশেংবা অচুম্বগী মঙালদা মীকপ থোকহনবীরো। অথোইবা জীব মী ওইনা পোক্লুরবা হিংলুরবা ঐখোয় খুদিংমক্লি। মীওইবগী শোক্কদবা মাঙগদবা মীনা পামদবা য়ানিংদববু খঙনা-খঙনা তৌজরুবগী মহৈগী ফলবু মী ঐখোয়না ফংজদনা অতোপ্পা জীবনা ফংলোইয়ে, খন্থরসি, তুংগীদমক্লি ঐখোয়না হিংলিবসে। মপু মাগী অশেংবা অচুম্বা মশামক্কী ওইবা মীওইবগীনা 'থৱায় লাই ঈশ্বর' মহাক্না মীওইবগী থম্মোয়নুংগী লকানুংদা ঈংনা চীক্না থুপ্পুনা লৈরিবা মহাক্লে। ঈশ্বর মাবু থম্মোয় শেংনা খঙনিং উনিংবগী পূক্নীং ৱাখলনা লাঙতক্লরবা লৈতাদ্রবা তূম্বা চাবা থকপা শুবা নোম্বা চৎপা মতম খুদিংমক্তা মাবুতা নীংজরবা খঞ্জরবা, খঙদবা উদবা নকশিন্দবা ফংদবনা, খোইরাং খোইশাওনরক্তুনা খাঙবা ঙমদদুনা অৱাংবা চীংদোন্দগী, শাংনা থরো-তরো ওম্বরক্লগা খরা-ঈংগদ্রা ফগদ্রা কান্নগদ্রা য়ৌনা খল্লক্লবা মতমদতা মহাক্না তৌহঞ্জবনা, মহাক্কী অশেংবা মনাইবু থৌজানবিয়ে, হে মীওইবা! মমা-মপা নীংবা মচানা ৱাবদা মমা-মপানা উরিবনে। মৈ-ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক-অতিয়া মঙামক্না পুনশিল্লগা হিংহল্লিবা 'জীব আত্মা থৱায় লাই ঈশ্বর' মহাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। মরম অসি লৈবনা মীওইবগী হকচাং পোলাংদি লাই ঈশ্বরগী অশেংবা অচুম্বা মন্দিরনি, মন্দিরদা লাই ঈশ্বর লৈয়ে। ইশা ইশাগী পূক্নীং ৱাখল হৌরকফমসু ঈশ্বর মঙোন্দগীনে থম্মোয় শেংই শেংদে থম্মোয়নুংগী বিন্দু মরিক অমফাওবা চিংখদনা খঙলিবা মহাক্লি। ঐ-ঐনসু তশেং তশেংনা খঙজরিবদুনি। মহাক্কী মপোৎ মরন্না হিংলিবা ঐ ঐসে মাগী ওইবনা ঈশ্বর মাবু ঐখোয় খুদিংমক্না কাউফদে। ফনা শাউদুনা লৈরন্নবসু মখোঙদবু তুরুরবদি শাউরম্বা খুদিংমক হন্থরকপনে, মদুদবু হন্থরক্তবা মীদুদি ফত্তবনা মশা পূন্নমক্তা য়োমশিনখিদুনা অশেংবা অচুম্বগী মঙাল করিনো খঙজদবা লাইবক থীবনে। ঈশ্বর মহাক লৈবদগী ঐখোয়না হিংবা ঙল্লিবনি হৌবসু লোইবসু মঙোন্দনে। ঐ-ঐ ওইরিবা ঐসে অচম্বা অরায়বা নত্তবনি হায়বসে কাউবিগনু। মী মীগী ৱাঙাং শাঙাং তৌথোরকপা মীৎয়েং নায়েং লীচৎ শাজৎ মওং মতৌনা মাগী মাগী মশক তাকচবনি। ঐখোয় খুদিংমক মাগী মাগী মতম লোয়রগা নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা ঐখোয়নি, হিংলিঙৈদা পুকচেল শেংনা নুংশিননা লৈমিন্নরগা ইমুংসু ঈংগনি লৈকাইসু ফগনি, লৈপাক্কীসু অফবা নুংঙাইবা চাওখৎপা ওইরক্কনি। খন্থজবা ঙম্বগী শক্তি লৈজবা মীওইবনি হায়বসে ঐখোয় খুদিংমক্না অমুক্তং পূক্নীং ৱাখল তৌবীদুনা মীনা মীবু ৱাহনগুমসি, মাঙহনগুমসি, ঈংনা তপ্পা শান্তি ওইমিন্নরসি ঙসিদগী।

*ইরমদম ইরৈবাকচা খ্বাই পূন্নমক্না অশোয় অরান য়াওরম্লবসু ইরমদম ঈরৈপাক্কী ইচা-ইনাওনি খনবীদুনা অইবগী মায়কৈদগী ঙাকপীনবা হায়জরি।*

**(হুইদ্রোম ঙৌবা সিংহ)**
ইশোক চীংফু ময়াই লৈকাই, নম্বোল কেন্দ্র মণিপুর
হৌজিক্না এফ. সি. এস. কমপ্লেক্স, সঙাইপ্রৌ

*SL/Free/10*

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 27/06/18
Valid : 26/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 27/07/18
Sl. No. 220
Valid : 24/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**T D K Gas**
Booking : 10/07/18
Valid : 06/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Ashangbi Gas**
Booking : 22/06/18
Valid : 17/06/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 12 noon

**Misao Gas Service**
Booking : 26/07/18
Valid : 02/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 25/06/18
Valid : 15/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 09/07/18
Sl. No. 225175
Valid : 06/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**R B T Gas**
Booking : 02/07/18
Valid : 24/06/18
Stk : 306 CTC
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Patsoi Gas**
Booking : 09/08/18
Valid : 07/08/18
Stk : 270
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 07/07/18
Valid : 04/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 27/07/18
Valid : 25/07/18
Stk : 612/5kg Available
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Jemon Gas**
Booking : 20/06/18
Sl. No. 20600
Valid : 07/06/18
Stk : 918
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 12/07/18
Sl. No. 8949 upto 8401
Valid : 11/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১৩১৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 6 |
| 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |
| 4 | 5 | 7 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 8 |
| 9 | 2 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 | 4 | 1 |
| 3 | 9 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 2 | 8 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1315**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | | 1 | | | 3 | | |
| | 5 | | | | 2 | | 4 | |
| | | | | 4 | | 8 | | |
| | | | 3 | | 5 | | 8 | 9 |
| | | | | | 4 | | | 5 |
| | | 1 | | 6 | | | 7 | 4 |
| | | | | 3 | | | | |
| 3 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 8 | | | | 4 | 1 | |